# ‘করম্বা মতমদা ঈং-চিক্না লৈগনি’

**ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি**

**উশম ধরমেন্দ্র**

চাইনাগী হুবৈ প্রোভিন্সকী রুহান সিটিদগী কুমজা ২০১৯গী লোইরমদাইদা শন্দোরকখিবা কোরোনাভাইরস মীয়াম্না কোভিদ-১৯ হায়রগা হেন্না কি হঙ্গোইনা খঙনখিবদুনা মণিপুরদা য়ৌশিল্লকখিবা মতমদো লৈবাকসি পুমলাং লাংখিবনি। ইম্ফাল সহর মনুংদা লৈরক অমগা অমগা লম্বী থিংজিন্নদুনা অরোইবীনি তৌনখিবা মওংদো কোভিদ-১৯, কোরোনাভাইরস চঙলক্তনবনি হায়দুনা। মশানা মশাবু লৈকায়গী হেরোনি খঞ্জবা নহাশিংনা অমুক্তোইবা অঙকপনি। অদুবু লাইচৎতুগী শন্দোকপগী মওং খঙনরক্লবা মতুংদদি কোভিদ-১৯ চঙলক্তনবা শন্দোক্তনবগী কাঙলোনশিং মাস্ক উপ্পা, খূৎশা সাপোন শেংনা হামদোকপা, সেনিটাইজর শীজিন্নবা হায়রিবশিং অসি ঙাক্না চৎনদুনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা হোৎনখি। অদুবু থৌশাদবা খরদি অদুমক য়াওনখি। মথংদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোক্লকপদগীদি মীয়াম শ্বর খরা চনীং তানা হোন্নখি।

কোভিদ-১৯না ওৎপা য়াবা ওৎলবা মমল নাইদ্রবা থৱায়শিং লৌবীখ্রবা তুং শূবা-নোম্বা তৌনদুনা মানা-মানা হিংবা ঙম্নবা হোৎনরকপা মতমদনি হৌখিবা চহীগী মে ৩দা নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা মরাল লৈজদবা মীতৈ মীচম মীয়ামদা লান্দাদুনা নমদুনা থোকহনবা লাননা মণিপুর অসি তংদু লৈতাদবা ‘ষ্টেট ওফ কনফিয়ুজন’ দা থল্লক্লিবসি। অসুক শাংলবা চহী অমা হেনখ্রবা লান মনুংসিদা লোইজি লোয়াদা কুকি খুলশিংগা নক্লনা লৈরিবা মফমশিংগী খুঞ্জাশিং শিন্ননা লেপ্তুনা খুল ঙাকপগী থবক তৌদুনা লাক্লিবনি। মদুনা মরম ওইদুনা শেল থুমগী ফীভমসি অদুক্কী মতিক শোকচিনখ্রবনি। লানসিনা মরম ওইদুনা লম খুদিংদা শোকচিল্লকপনা ইকনমিগী ফীভম শাথীনা শোকচিনখ্রে। করবার মচা-মচা তৌদুনা হিংজবশিংদি পুরা তোরা তুরবনি। অদুনা লৈবাক্কীদমক্তনি তৌদবা য়াদে হায়দুনা তেংবাঙ পীবদা অৱাবা ওইনরবনি। নাকল অমরোমদনা মীতৈদা নমদুনা লান্দারিবা নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্ট কাঙবুদি তানবা য়াবা শেল তানশিন্দুনা থমখ্রবনি। মণিপুরগী চীংগী নাপোম কয়া কোকথোক্তুনা পোপী পাম্বী থাদুনা দ্রগকী করবার আইনবু শীংনদুনা আইন মখূৎতা পায়দুনা চাউনা-চাউনা তৌরগা শেঞ্জাও তানশিনখ্রবনি। মখোয়গী লাঞ্জংগীদমক্তা প্রি প্লান তৌখ্রবনি। অদুম্না পৈশিনখিবা শেঞ্জাও ময়ামদু শীজিন্নদুনা নেসনল ন্যুজ এজেন্সী কয়া ফাওবা মখোয়গী মীচংদা লেপহনবা ঙমহনখি। অদুগা মীতৈশিংনা চম্না হিংজবা কাঙবু। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙমখৈগী লৈয়াৎ কায়বা য়ারোই হায়দুনা লাকপা ফূরুপনি। মণিপুরগী সিভিলাইজেসন চহী কয়া চঙনা মীতৈশিংনা শাগৎলকখিবনি। অদুগুম্বা সিভিলাইজেসন অদুবু শীংনরবদি মশানা অচৌবা লাঞ্জাও থোকপা তাবনি। লাইওইখ্রবা থৌনা ফরবা ইপা-ইপুশিংনা মশাদগী শিন্থরকপা ঈখেংতনা য়াৎলম্বা মণিপুরগী ঙমখৈ কনানসু থুগাইবা য়ারোই, মসিনি মীতৈশিংগী অচেৎপা ফিরেপ।

মণিপুরদা থোক্লিবা লান করম্বা মতমদা লোইশিনগনি তম্বা ঙমদ্রি। মরমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিং মপুক শেংদে। মীতৈশিংদা অশেপ্পা মীৎয়েংনা য়েংদুনা লাক্লি। মরালসু শুংলৈ লৈজদবা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা মঙাল লৈনা পাল্লম্বা মণিপুরী সিভিলাইজেসনদা মফি মরোল ফাওবা নীংথিনা শেৎপা হৈবা কুইদ্রিবা কুকি ফূরুপকী মীওইশিং টেররিষ্টশিংদুনা মরম লৈতনা লান্দাশিল্লক্লগা কুম্মৈ য়েংবগুম য়েংদুনা লাকখি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খল্লিবা ৱাখলসিবু করিনো। মণিপুরগী লান, নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা লান মনুং অসিদা চহী অমা হেনখ্রবসিদা নোংমতসু মণিপুরদা লাকখিদবা অমসুং মহাক্কী পার্টিগী এম এল এশিং ফাওবা মফম চাবা অমদা কৌদুনা লানসি লোইশিন্নবা ৱাতানদবা হায়বসি নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরগী মীয়ামসি থৌওইদে, করিসু লৈতনা খল্লি হায়বদু উৎপনি। মহাক্কী থৌওং অসিনা মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইদ্রবরা হায়বগী ৱাহং মণিপুর মীয়ামদা হংলক্লি। মতাংসিদা লোক সভা ইলেক্সন লোইবগা মণিপুরগী লান লোইশিন্নবা নাকল অনীমক্কী মীওইশিং উনদুনা ৱারী শানরগনি হায়বগী ৱাফম ইন্দিয়াগী হোম মিষ্টির অমিট শাহগী মায়কৈদগী লাকই। হংনরিবা ৱাহংদি নহানমখৈদি লান লোইশিন্নবগী ৱারী শানবা য়াদ্রবরা হায়বসিনি। অমুকসু হৌজিক ওইরিবা হোম মিনিষ্টরসিনা মমাঙগী লাক্কদবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী হোম মিনিষ্টর ওইগদৌরিবরা গরেন্টি পীবা ঙমদে। পূম্নমক্তুগী মথক্তা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাকসিবু ১৮শুবা লোক সভাগী মীখল মতুংদা লৈঙাক পায়বা ঙমগদৌরিবরা হায়বসিসু ৱাহং ওইরি। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে শাংলবা চহী অমা হেনখ্রবা লানগী মতমসিদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসিদা পূক্নিং চঙদনা লাক্লগা করম্না লান লোইশিন্নবা থবক পায়খৎলক্কদগে হায়বসিসু অদুমক চমম্নরি।

ইরমদমসি তংদু লৈতাদনা লৈরকপা কুইরক্লে। মথক্তসু পঞ্জখ্রে কোভিদ-১৯গী চৈথেং কয়াদা ৱানা খাঙনখিবা। লৈকায় অমদা খুল অমদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়দুনা হোস্পিটালদা পুখৎখিবা অদুগা থুনা অমুক লায়কন্নরগা লৈখিদ্রে হায়বগী থৌদোকশিং মীৎমাংদা থোক্লকখ্রবনি। ঙসিনা অমুক নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা থোকহনবা লান, লোইশিনবগী মমিসু উদবা লান। মরকসিদা নোংলৈ নুংশিৎ সাইক্লোন রিমালনা লেন য়াওনা লান্দারক্তুনা য়ূম-কৈ কয়া মাঙহন-তাকহনখ্রবা তুংদা অমুক থোকহল্লিবা ঈশিং ঈচাও। হন্দক্কী চহীসিগী মে থা খ্বাইদগী অৱাবা পীবা থা ওইখি। মণিপুরদা অঙৈং-অশাগী চাং অসি চাউনা অহোংবা লাক্লে। কালেনথাগী মতমদনা য়াম্না শারে, নীংথমথাগী মতমদনা য়াম্না শাথীনা ঈংলে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি উমং-ৱামং কোকথোকপননি হায়বসি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী মীওইশিংনা হায়দুনতা লাকখি। মীচম মীয়ামসু অদুম খঙই। উমং-ৱামং য়োকখৎনবা অদুম হোৎনৈ। অদুবু লুরিবদি মণিপুর লৈঙাক্লসু য়েংশিনবা ঙমদ্রবা কুকি-জৌ কাঙলূপকী মীওইশিংনা মনীং তৌদুনা মণিপুরগী চীংগী শরুক কয়া কোকথোক্তুনা পোপী পাম্বী মনীং তৌনা থারিবসিনি। উমং-ৱামং কোকথোক্লে। মদুদগীদি নোং তারকপা মতমদা মদস্লাইদ, লেন্দস্লাইদ থোক্লে। মদুনা মরম ওইদুনা নেসনল হায়ৱেশিংদা গাড়ী চৎপা য়াদ্রে। লোকখাদা গাড়ী চেন্থখ্রে। অদুগা অমরোমদা নোংজুথা মতমদা নোং চুরকপদা মদুবু উ-ৱাগী মরাশিংনা চূপশিন্দুনা থমহৌরগা হয়েং তপ্না-তপ্না চীংজুম ওইনা চুমথরক্তুনা চেন্থরক্লগা নীংথমথা ফাওবদা তুরেলগী ঈচেল তৎহল্লোইদৌরিবনি। অদুবু চূপশিনগদবা ঈশিং উ-ৱাগী মরানা চূপশিনহৌগদবদু উমং-ৱামং পাক শন্না কোকথোকখ্রবনিনা মহৌশাগী খল পূম্নমক কায়রে। চীংজুম লাইজসু চুমথরক্ত্রে। তুরেল ঈশিং নীংথমথাদা কংলে। নোংজু থাদনা খোংনুং থেল্লবা তুরেলশিংদগী পাথোরকপা ঈশিংনা ঈচাও থোকহল্লে। মসিনি নীংথমথাদনা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা, নোংজুথাদনা ঈচাওগী অৱাবা। অনীমকসিদা থক্লনবা ঈশিংদি ইফংদা ফংদ্রিবনি। তাইবঙপানসিদা লৈরিবা মীওইবা ঐখোয়না মহৌশাগী খল কাইহন্দনা থম্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াগদবনি, য়াবসু য়ানরিবনি। অদুবু মীওইবা মরক্তা মথোং মরম খঙদবা মশাগী ওইজবতা খনবা অপীকপা ৱাখল চেনবা মীওই কাঙলূপ খরনা মহৌশাগী খল চাউনা কায়হনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি অমসুং মদুনা মীপূম তিংনা ঈচাও অমসুং ঈকং থোকহন্দুনা ৱাহল্লি।

লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয়সি চহী খরসিদা ৱাবা য়াবা ৱানরে। মালেম পূম্বগী ওইনা ফংখিবা কোভিদ-১৯গী অৱাবগী চৈথেংসু ফংখ্রে। নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা লানগী চৈথেংনা অমুক মীকপ মীরাওখোলতনা মৈত্রবাকসি নিলহল্লি। তুংগী খুন্নাইসিগী পূন্সি ওইগদৌরিবা নহা কয়া মহৈ মশীন অমদি পূন্সিগী শিন্থা কয়া তুংওইনরম্লগা লৈবাক্কী ৱানা লুই হায়দুনা খুল ঙাকপগী থবক তৌদুনা য়েক্লবগী খূৎতা লৈবাকসি তাদনবা থৱায় খূবাক্তা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা হোৎনরি। মহৌশাদগী হৌনা লৌ পান্দুনা লাকপা মফম কয়া চঙশিনবা ঙমদদুনা লৌশিং উনদ্রবনি। মহৌশা অমদি খূৎশেমগী অৱাবনা নৈহৎপীরবা লমদম অমা হায়বদো ঐখোয়গী ইরমদমসি ওইরে। অসুম্না মাঙদা থেংনখিদ্রিবা অৱাবসি কয়াম কুইনা থেংনখিগনি মসিনি হংলিবা ৱাহং, পাউখুমদি ফংদ্রিবা।

লোইশিল্লকপদা খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় অয়াম্বনা ইরম-নালাগী শরুকশিং ফুনজিন্দুনা লম খোপচিনবগী হৈনবী অমা কন্না লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা ঈশিং ঈচাও থোকহনবদা মতেং পাংই। ইম্ফাল সহর মনুংদা মসিগুম্বসি ময়েক শেংনা উগনি। কার অনানবা তোংদুনা লাক্লগা অমোৎ-অকাই মীরক-নারক য়েংলগা নম্বুল তুরেলদা থাদনরিবনি। মশাগীতা খনবা মীগী মশীং লমদমসিদা ৱাৎতে। অদুঙৈ অথাপ্পা মফমদগী নম্বুল তুরেলদা হি কারকপগী ৱারী ঙসিগী নহাশিংনা তাবদা অঙকপা ওইনা থোক্লি। নম্বুল তুরেল, ইম্ফাল তুরেল, কোংবা তুরেলনচিংবা মোৎশিনখিবনা মীৎয়েংনরুবদা নুংশিবা অফবা ৱাখলসু মহৌশাগুম পোক্তরে। অশৈবশিংগী কলম মচিন্দগী ফজবা শৈরেংসু থোক্লক্ত্রে। ইরমদমসি লূ-নান্না থম্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাং চাওই। অমুকসু ঈশিং ঈচাও থোক্লগা তুরেল খোংবান কায়রগা মেন্নবা শেমজিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা হান্ননা অশোনবা মফমশিং সর্ভে তৌরগা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী হৈনবী থমগদবনি নৎত্রবদি মথংগী চহীদসু অদুমক অসুম্না মায়োক্লগনি। অমরোমদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মণিপুরগী মী অমগী মমল লেপ্পীখ্রে। লমদমসিগী মীগী মমল অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবদা য়াম্না হোঙই। খঙদে ইরমদমসিদা ওইরিবা ফীভমসি ইপেন্দা পেন্দে। তাইনফমসু খঙদে। অতিয়াদা নোং মঙলিবরা য়েংজবা, নাকোংদা নোংমৈ বোমগী মখোল তাবরা হায়দুনা না থাঙ্গৎতুনা তাবা নত্তনা। ইরমদমসি করম্বা মতমদা ঈং-চিক্না লৈগনি হায়বসিতনি লাইনীং ওইজরিবা। ●

# ‘ঈচাও মচেৎ, ঈকং মকায়, ৱাবা মপূম’



**- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -**

ঙসি জুনগী ৫ ‘ৱর্ল্ড এনভাইরনমেন্ট দে’ নি। কুমজা ১৯৭৩গী জুন ৫দা য়ুনাইটেদ নেসন এনভাইরনমেন্ট প্রোগ্রাম শম্না য়ু এন ঈ পিগী লমজিং মখাদা পাঙথোকপা হৌখি। মালেমগী মীয়াম্না ঙসি ফাওবা চথ্থদুনা লাক্লি। কুমসি চহী ২০২৪ অসি ফাওদি অরাবিয়ানা থৌবু ওইদুনা থৌরম অসি পাঙথোক্লি। চহী অসিগী থিমদি 'Focuses on land restoration, desertification and drought resilience" হায়বনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা নীংশিংবা য়াই, অমেরিকাগী আলেঘেনি তুরেলগী অৱাং নোংপোক্তা চৎলগা লৈরিবা স্প্রিংদালেদা কুমজা ১৯০৭তা পোকখিবী ‘রাচেল কার্সন’ না হায়খিবা ৱাফম “মীওইবা হায়বসি মহৌশা (নে্চর) গী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি। মসিবু মাঙননবা শিনবা হায়বসি ইখূৎনা শিংজং পায়রগা ইখোঙদা য়ানশিনহনবগুম্বনি। মীপূম খুদিংনা নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না লায়না তিলনাগা তিন্নবা তৌদনা হিংবা হায়বসিমক মহৌশাগী শক্তম কন্দুনা ফজখ্রবা মালেমগী মশক্তা অহোংবা য়াওহন্দনা চেকশিন্না থম্বা অদুতনা ওইগনি।

মালেমদা থোকখিবা ঈচাওশিংগী মনুংদা কুমজা ১৮৮৭তা চিনাগী ‘য়েলো রিভর’ দা থোকখিবা ঈচাও অসি অচৌবা ঈচাও অমনি হায়না ইদুনা থল্লম্বা রেকোর্দশিংদা থেংনৈ। ঈচাও অসিদা মীওইবা বিল্লিয়ন অনীরোমগী মপূন্সি তেনশিনখি। কুমজা ২০১৩দা ইন্দিয়াগী উত্তরখণ্ডদা থোকখিবা ঈচাও অসিসু মীওই ৫,৭০০গী পূন্সি তেনশিনখিবা অচৌবা লৈবাক অসিগী ঈচাওনি। মণিপুরদসু কুমজা ৬৬কী ঈচাও হায়বা ৱাফম অমা ঙসি ফাওবা চিন্থাং য়ৈবা পুৱারীগুম অহলশিংগী মচিন্দা পনবা, তাবা হেক হেক ফংই। মখা তারকপদা হৌজিক থোক্লিবা কুমজা ২০২৪গী মণিপুরগী ঈচাও অসিসু ঙসিগী ৱর্ল্ড এনভাইরনমেন্ট দে নুমিৎসিদা নৈনহৌবা কান্নগনি। মরমদি শুপ্নগী নুমিৎ নীনিগী নোংজুদা মীওই তরুক্কী মপূন্সি তেনশিনহনখ্রে। মীওই ১,৮৮,৪৩ অৱাবা তাহল্লি। য়ূম ২৪,২৬৫ মাঙ তাকহল্লে। লম হেক্টর ৪৩৪গী মহৈ-মরোং মাঙলে।

অমরোমদা, কুমজা ১৯৫০দগী ১৯৫৭কী অদুৱাই ফাওবদা টেক্সাস লমদমদা থোকখিবা ‘ঈকং’। মসি মীওইববু মখৈ ফংনা ৱাহনখিবা থৌদোক্লি। কুমজা ১৯৬৪দা য়ু এস এগী এলাসকাদা, কুমজা ২০১১দনা জপানগী টুহোকুদা, কুমজা ২০০৪দনা ইন্দোনেসিয়াগী সুমত্রদা থোকখিবা ‘য়ুহা’ হাবগী থৌদোকশিংসু অকিবগী মশক ওইখি। মহৌশাগী শক্তম্না অসিগুম্বা তমথীবা মতৌ উৎলক্লিবশিং অসি মীওইবনা কায়হৌরুবদগীনি হায়বদা লাল্লোই। মসিনা ওইবতাই এনভাইরনমেন্ট এক্তিভিষ্ট ‘রাচেল কার্সন’ না মীওইবসি মহৌশাগী শরুকনি।

মহৌশানা কায়থরকপা হায়বসি মীওইবগী খূৎনা থোকহনবনি হায়বদো চুল্লি।

য়েংবীয়ু মীওইবা অসি চাওখৎপা কৌবা নুঙাই য়াইফনা হিংনীংবা থৱায় পানবা কাঙলূপ অদুনি। চাওখৎ-থৌরাং খুদিংমক্তা মহৌশাগী শক্তমদদি অকায়বা পীরি। অদুবু মীওইবনা হীরমসিদা থোইনা খনজিল্লুদে। লম্বী থোং শেম্বদা চীং কয়া তেমথোকপা তারকই। পাৎ-তুরেল কয়া ফুমজিনবা তারকই। লৈনুংদগী ফংবা পোৎলমশিং লৌথোরকই। য়োৎ, সনা, কোইলা থাওগী পোৎলমশিং লৈনুংদগী লৌথোক্লি। অকে-অমৌ অমদি য়ূম-কৈ শাননবা উমংদগী মমল য়াম্বা উপাল কয়া য়ান্থৎলি। চীংমাই কয়া লাম্মৈ থারি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক থাজিন্দুনা চীং লৈবাক্কী অশিন অয়াক (লৈহাও) গী চাং কায়হল্লি। মসিনা লৈবাক নীংখাইহল্লি। লেন্দস্লাইদ থোকহনবগী অচৌবা মরমদি চীংগী লমদা পাল্লৌ উবা অমদি রসায়ন চাইশিনবা অসিনি।

মসি মহৌশাগী শক্তমদা মীওইবনা চাউনা শীংনবনি। শীংনবা অসিনা মহৌশাগী খোঙচৎপুদি কায়হনখি। অঙৈং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাং নাইহন্দ্রে। কল-কারখানাদগী অমদি হৱাগাড়ী ত্রেন, এরোপ্লেনদগী থাদোক্লিবা মৈশানা ওজোন লয়ার পাথহন্দুনা লৈমায়দা শাবগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলে। উন মপৈ কয়া শৌদোকহল্লে। উননা ঈশিং ওল্লকপদগী সমুদ্রগী ঈমাই ৱাংখৎহল্লে। ঙসিদগী চহী ১০০গী মমাঙদা লৈরম্বা সমুদ্র ঈমাইদগী ঙসিদি ইঞ্চি ৬তগী ৮ ফাওবা হেনগৎলে। মসি শাবগী চাং মহৌশাদগী সেলসিয়স দিগ্রী অমগী মথক্তা হেনগৎলকপদগীনি হায়না অখঙবশিংনা হায়রি। মসিনা সুনামি থোকহল্লকপগী মরম্লা?

ইকুই কুইদ্রিঙৈদা কুমজা ২০২৪গী এপ্রিল ১৬/১৭তা থোকখিবা ‘দুবাই ঈচাও’ অদু কয়ামুক তমথীখিবগে হায়বদু য়েংসি। ঈচাও অদুদা অতাঙবা য়ূম, ওফিস কয়ামরুম অচেনবা ঈশিংগা লোয়নখি। কার লিশীং ৫০ রোম ঈপাক্তা কোঙ্গোলগুম তাওথখি। ঈচাও অদুদা চাওরাক্না দোলর মিলিয়ন ৮৫০ রোম মাঙখি হায়না পারি। মসিগী মথক্তা মীওইবগী থৱায় কয়াসু ঈচাও অদুনা লৌশিনবীখি হায়না পল্লি। সাইক্লোন হায়বসি কবিশিংনা শৈথাবদা শীজিন্নবা মালয়া নুংশিৎ নামীবা হায়বদুদগী য়াম্না তোঙাল্লি। হিংচাবী হায়বদু উদ্রবসু সাইক্লোন্না উৎলিবা মশকসিমক হিংচাবী-হিংচাবগী মশক্তুনি হায়না অঙাংশিংগী মহৈ-মশীন তম্বদা হাপ্পীবদা সাইক্লোন লাক্তনবা তুংগী মীরোলনা তোয়না খন্ন-নৈনগদবা মাল্লি। ইন্দিয়াদা কুমজা ২০২৩দগী হৌজিক ফাওবদা থোকখিবা সাইক্লোন খরদং পল্লবদা - সাইক্লোন জেপসর, সাইক্লোন মীচাউং, সাইক্লোন মীধিলি, সাইক্লোন তাজ, সাইক্লোন কিপারজয়, সাইক্লোন ফেবিন, সাইক্লোন মোরা অমদি হন্দক্কী সাইক্লোন রিমাল অসিনি।

সাইক্লোন রিমালগী ইৱাই ইনিলনা ‘লেন’ ওইনা তারক্তুনা য়ূম লিশীং ৬০ থোমদৎতুনা লায়রবা কয়াগী পূন্সিদা লূ কোক্লিঙৈদা লেন তাবা হায়দুমক থোকখি। লেনগী মশক্তগী খরা হেন্না তমথীবা অখাক অরাওগা লোয়নবা ব্রজনা থাদুনা লৌবুক্তা থবক শূজবা শিন্মী খরগী পূন্সি পীখম্নখি। ইরোয়ননা চুথরকখিবা নোংজুনা লম্বী থোং ১৯২ মাঙ তাকহল্লে। মফম ২৭১দা লেন্দস্লাইদ থোকখ্রে। থোং কয়া তাওথখ্রে। তোর্ব্বান কায়দুনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট খরা শাথীবা ফীভম ওইহনখি। মীওই কয়া লাঞ্জেন্নহনখি। কুমজা ২০২৪গী মে ২৬কী ঈচাও অসিনা ওইহল্লিবা অকিবা অসি কুমজা ২০২৩গী মে অহুমদা মীওইবগী মমল খঙদবা কাঙবুনা হৌরখিবা ‘লান’ অদুদগী তাথবা লৈতবা তমথীবনি। মে ৩গী আর্টিফিসিএল কেলামিটি অদুনা হৌজিক্কী নেচরেল কেলামিটিগী থৌদোকসি পুরকপনি হায়বা খঙমিন্নরবদি মখা তানা মৈ থাবা, নোংমৈ কাপ্নবগী মহুৎ উ থাবনা হেন্না মরু ওই খন্নগদ্রা খল্লি।

পাক চাওখ্রবা মালেম অসিগী নৈনরুদ্রবসু অপীকপা লমদম অসিগী এনভাইরনমেন্ট নৈনবনা ঙসিগী ৱর্ল্ড এনভাইরনমেন্ট দে অসিগী ৱাহন্থোক শোয়দনা লৈগনি নীংই। মণিপুরগী চীংগী লম অসি মণিপুরী পূম্নমক্কী লন্নি। মসিবু ওইজবা থিবা লমখাংদা শৈদাংলরিবা মীওই খুজোক খরনা পুন্মাং মাঙহল্লি। উমংবু মরুভুমি ওন্থোক্লিবা মীওইশিং অসিগী মায়োক্তা য়েলহৌ ফূরুপচাশিংনা লিংজেল মান্ননা পাড়া তম্বীবা মতম থেংমল্লে। মখোয়দি নোমেদিক ওইবা কাঙলূপনি। শাফগদবা মফম অমা থিখিবসু য়াই। মী লৈবা য়াদ্রবা লমদমদা মীওইবগী খুন্নাইনা হিংদুনা লৈবা ঙল্লোই। অচেনবা ঈশিংবু থৌশাদনা মৈখেৎ উপু মানবা বিল্ডিং শারিবা শেঞ্জাও পায়বশিং অমদি তুরেলগী মথক্তা কম্যুনিতি শঙলেন শারিবা মীওইশিংনা ঙসিগী খূৎশেমগী ঈচাওসি থোকহনবনি হায়বদা লাল্লোই। ঐখোয়গী মীয়াম্না ঙমখৈদা শম্বল খানবা হোৎনদ্রিঙৈদা য়ূমলোন্নবা মচিল মনাও, শাগৈ নাতৈগী ইঙ্খোল খাজিন্নদুনা ইরম-নালা খাকহৌদবসিসু ‘রিমাল সাইক্লোন’ না ঐখোয়বু ৱাহনবদা ইরায় লায়না থোকহনখিবনি।

হৌজিক মালেম অসি মচি খরদনা ঈচাওগী চৈথেং, মচি খরদনা ঈকংগী চৈনা ফংলি। অরোইবদা ৱামিন্নরিবদি মীওইবা খুন্নাই কৌবা মপূম অসিনি। অৱাবা অসি ৱাখল তাবসু তাদবসু চাকথুং মান্ননা য়েন্নদুনা ফংলি। মীওইবসি মথৌ মশক খঙদবনা হেল্লি। মশানা মশাবু নুংশিবা পোক্তে। মশানা মশাবু নুংঙাইনবতা হোৎনরি। ৱর্ল্ড এনভাইরনমেন্ট দে লাকপদা মীওইবদা পাউজেন্নীংলিবদি মীওইবনা মহৌশাগী শক্তমদা শীংনরিবসি তোক্ত্রবদি সেঞ্চুরি খরগী তুংদা পৃথিবী কৌবা গ্রহসি থৱায় পানবনা খুন্দাবা ঙমদবা অমা মীওইবনা ওইহল্লক্কদ্রা খনবা তাবনি। লৈঙাক্তদা তায়নবা তোক্লসি। মহৌশাগী শক্তম কল্লসি। মীওইবা খুন্নাই থল্লমসি। ঐনা মাঙহনবদা নঙসু য়াওই। নঙনা মাঙহনবদা ঐসু-মাসু য়াওই। ঐখোয়না শেমগৎলম্বা মখোয়সু হিংই। মখোয় ঐখোয় নখোয় কৌবা অপূনবগী মশক অসি অৱাবগী মহুৎ নুঙাই য়াইবী মরাং কায়হন্নবা লম্বীদি ঈচাও মচেৎ, ঈকং মকায়না তোয়না শেল্লিবা ‘ৱাবা মপুম’ হায়বদু লৈহন্দবা মতমদুনি। ●

# মালেমগী অকোয়বগী ফীভম কনবা (ৱর্ল্ড এনভাইরনমেন্ট দে ২০২৪ না লাকপদা)

**- মোইরাংথেম দিনকান্ত -**

মণিপুরদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা ‘গ্রীন মণিপুর, ক্লিন মণিপুর’ কৌবা মিসন অমা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিরেক্টোরেট ওফ এনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা শিনবা ষ্টেট লেভেল ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দে, ২০১৯গী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরনা হৌনবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা মতুংদা কুমজা২০১৯গী জুন ২২দা সাহৈবুং ভিলেজ কাংপোকপীদা হৌদোকখি। মিসন অসি হৌদোকপা নুমিত্তা উ চারা ৫০,০০০ রোম স্কুল ১০০০ দা পুৱারী ওইনা থাখি। অসুন্না চীফ মিনিষ্টরনা মহৌশাগী খল ঙাক শেন্নবা রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া, উমংগী চীংমাই কয়া মরূ কোকথোকপা থিংনবা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা লাক্লি।

চীফ মিনিষ্টরনা হৈরাঙ্গোইথোং মাইবম লৈকায়দা লৈবা নম্বুল তুরেল প্রোজেক্ট সিৱেজ ত্রিটমেন্ট প্লান্ট সাইত্তা দিরেক্টোরেট ওফ এনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দে কুমজা ২০২২গী থৌরমদসু ইনিদয়া লৈঙাক্কী চহী ৭৫শুবা অজাদি কা অমৃট মহোসব থৌরমগা মরী লৈননা লৈঙাক্না উ চারা লাখ ৭৫ অগষ্ট থা ফাওবদা থাগদৌরিবা অসি গ্রীন মণিপুর ওইহন্নবগীদমক্তা মীয়ান্না মতেং তৌবিয়ু হায়না অপীল তৌখি। অসুন্না লুচিংবা অমা ওইনা অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেন্নবা কন্না হোৎনদুনা লাকখিবদু চীংমায়শিং মরূ কোকথোকপা থিংবা, রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া কন্নবা হোৎনরুববু অরানবা মওংদা ঈরাং থোক্লকপদগী মীয়ামগী পূন্সি মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিন্নবা ঙন্নদরি।

তুংগী অশানবা মীৎয়েং উবা ঙমদবা মী খরনা চীফ মিনিষ্টরগী থবক থৌওংদা অয়েৎপা পীরক্লবসু মহৌশাগী খল ঙাক শেন্নবা থবক পায়খৎপদি লেপ্পা য়াদ্রি। অদুনা হন্দক লাক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড এনবাইরনমেন্ত দে থৌরমগী মাঙওইননা খ্বাইরম্বন্দগী ইমা কৈথেল অহুম, পাওনা কৈথেল অমদি থাঙ্গাল কৈথেলবু চীফ মিনিস্তর মশামক্না য়েংশিন্দুনা শীৎ-শেংবগী থবক হৌদোকখি। হৌখিবা মেগী ১৯ দা পাঙথোকখিবা কম্যুনিটি সোসল সার্ভিস অদুদা থা খুদীংগী নোংমা পানবা অসি ইম্ফাল মনুংগী এরিয়াশিং য়াওনা চীংমৈরোং, তেরা কৈথেল, এয়রপোর্ট ফাওবা লূ-নান্না থন্নবা শীৎ-শেংবগী থবক পায়খৎলগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। অসুন্না অকোয়বগী





ফীভম ঙাক শেন্দুনা হোৎনমিন্নহৌবনা মালেমসিদা থৱায় পানবশিংনা তুং কোয়না তংদু লৈতানা হিংগদৌরিবনি।

জুন ৫সি ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেনি। মালেম শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লরি। মমাঙ চহীশিংদসু পাঙথোক্লখি। চহী খুদীংগী য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মপূং ওইনা শীন্দুনা মফম হোং-হোংদুনা পাঙথোক্লি। মণিপুরদদি মাঙওইননা উ চরাশিং থাবা য়াওনা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা হৌদোকপা লৈখ্রে। দেসাম (দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইএন্স ওফ মণিপুর) না ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেগা মরী লৈননা উ থাবা অমসুং উ হিংহন্নবগী কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি হায়না শেম-শারি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরমসি য়ু এন ঈ পি (য়ুনাইটেদ নেসন্স এনভাইরোনমেন্ট প্রোগ্রাম) না শিন্দুনা দ কিংদম ওফ সাওদি এরাবিয়াদনি। মসিগী খোল্লাওনা ‘অৱার লেন্দ, অৱার ফ্যুচর, ৱি আর জেনেরেসন রেষ্টোরেসন’ হায়বসিনা ওইরি।

ঙসিদি ঐখোয় মীওইবনা মহৌশাগী অকিবা শক্লোনশিং মায়োক্লরে। নোংজুথাদা নোং চুদবা করিগুম্বদসু কা হেন্না নোং চুদুনা ঈচাও থোকপদগী মীওইবগী পূন্সি অমদি লন-থুম মাঙ তাক্লরি। হন্দক্কী হৌখিবা মে ৫ দা থোকখিবা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদসু শাথিনা মাঙ-তাকহল্লম্লে। অমুকসু সাইক্লোন রিমালনা ঈশিং ঈচাও থোকহল্লম্লে। হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদনা ইকং থোক্তুনা লৌমীশিংগী চাথোক হন্থহনখ্রে। অদুগুম্বা ইকংগী মতম অদুদা নোং লাউবগী লাইশোন তিনশোননা কানবা ফংখিদে। সমুদ্রগী ঈমায়ইক্তগী হুন্নক্কদবা লৈচিল নোংফাইশিং মতম চানা লাক্তবা, কা হেন্না লাক্লবসু উমংশিংনা ঙাকথোক্কদবদু চীংমাইশিং কোকথোকপদগী অঙকপা থৌওং কয়া মায়োক্লরবনিনা মালেমগী অকোয়বগী ফীবম কন্নবা হোৎনবসি য়াম্নামক তঙাইফদরে।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯১**

১) **“পূন্সি চেঙজেল লোইদুনা লাকপদা**
**কৌবীয়ু নঙনা তরাম তরাম্।।**
**নঙনা শেম্বীবা তাইবঙ ফম্পাক্তা**
**নঙনা তম্বীবা লীলা য়াওরুরে...।।”**

মথক্কী ঈশৈগী অহৌবা পরেং অসি ঈশৈগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। শৈরেংবসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

২) **“নিমাইগী ঈশৈদো”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? কনানা ইবনো?

৩) **“ডা. রামকুমার বর্মাগী একাঙ্কী খরা”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) **“থিয়েটর অমদি সাহিত্যগী ৱারেং খরা”** (২০০৬) হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৫) **“অঙাওবীদো ঐগী ইমানি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।